**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 07-07-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী অমসুং তেংনৌপল জিলাদগী খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমখ্রে।

২) কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধি হয়েং মণিপুরদা লাক্কুনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগা উন্নগনি।

অমসুং

৩) সংসদকী বজেৎ মীফম থা অসিগী ২২ দগী হৌরগনি। শেনবা চহি ২০২৪-২৫ কেন্দ্রগী বজেৎ মথংগী নুমিৎতা পুথোক্কনি।

------

সেক্যুরিতি (এল)ঃ অসাম রাইফলস অমসুং মণিপুর পুলিসনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী কাংপোকপী জিলাগী এস. মোংপীদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, তুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল অমা, লোং রেঞ্জ ইম্প্রুভাইস মোর্তার অনি য়াওরি। অপুনবা কাংবু অদুনা মফম অদুদা শারম্বা বঙ্কর অনিসু থুগাইখি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু মণিপুর পুলিসতা খুৎশিন্নখ্রে।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা তেংনৌপল জিলাগী য়াংগৌবুংদা থিবা হুন্নবগী থবক চখুবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে হায়রি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা লেথোদ গন অমা, নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, পম্পি মরি, লোকেল মেদ মোর্তার অমা, মরু য়াওবা সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি য়াওরি।

কংগ্রেস (এল)ঃ কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধি হয়েং মণিপুরদা লাক্কনি। মহাকা জিরিবাম, চুরাচান্দপুর অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাদা চত্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগা উন্নগনি। তুংদা ইম্ফালদা শ্রী রাহুল গান্ধি রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগসু উন্নগনি।

ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা ঙরাং পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি অমদি সি.এল.পি লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা হায়-মণিপুর মীয়ামগীদমক কংগ্রেস দলনা লেপ্পি হায়বা ৱাখল্লোনদা শ্রী রাহুল গান্ধি মণিপুরদা লাক্কদবনি। মহাকা হায়- শ্রী রাহুল গান্ধি লোক সভাগী বিরোধি লুচিংবা অমা ওইনা খল্লবা মতুংদা অহানবা খোঙচৎ ওইনা মণিপুরদা লাক্কদৌরিবা অসি য়ামা শিংথানিঙাইনি। মমাং চহিগী মে থাদগী থোরকখিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা শ্রী রাহুল গান্ধিনা লাক্কদৌরিবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহুল্লক শুবনি।

পাউগী মীফম অদুদা এ.আই.সি.সিগী মণিপুর ইনচার্জ গিরিস চৌদানকর, এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট কে. মেঘচন্দ্র, এম.পি অঙোমচা বিমোল অকোইজম, সি.দব্লিউ.সিগী মেম্বর গাইখাঙম অমদি দলগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

রেড ক্রোস (এল)ঃ ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা এসোসিয়েসন ওফ মৈতৈ ইন দ আমেরিকান্সকী তেংবাংগা লোয়ননা নম্বোল খাবী ময়াই লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা ঙরাং মেদিকেল কেম্প অমা

পাঙথোকখ্রে। কেম্প অসিদা অনা লায়েংগী পোৎলম কয়া খুৎশিন্নখি।

হ্যুমেন রাইটস (এল)ঃ মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম.ঐচ.আর.সি)না মমাং থাগী ২৪ দগী ২৮ ফাওবদা চথ্থগনি তৌরম্বা কেসশিং অদু থা অসিগী ৯ দগী ১১ ফাওবা চথরগনি হায়রি। কম্মিসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- হিরম অসিগা মরী লৈনবা অকুপ্পা মরোলগীদমক এম.ঐচ.আর.সি রেজিষ্ট্রিগা তান্নবা য়াগনি।

মেট ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি- অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং য়াওনা লৈবাক্কী অতৈ মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা ময়াই ওইরপ চাংদা নোং চুরবা য়াই। উত্তরাখন্দ, পঞ্জাব, সিক্কিম, বিহারনচিংবা মফমশিংদনা হংচিৎ ফাওবা অকনবা নোং চুগনি। নোংচুপ থংবা মধ্য প্রদেশতনা হয়েং অকনবা নোং চুগনি।

অসাম ঃ অসামদা হৌজিক থোক্লিবা ঈশিং ঈচাউ অসিনা মীওই লাখ ২৪ রোম অৱাবা মায়োকরি। হৌখিবা পুং ২৪ দা মীওই ৬ ঈচাউ অসিদা লৈখিদ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চথ্থরি। রাজ্য অসিগী মন্ত্রিশিংনা ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিংদা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখি। হৌজিকসু গুৱাহাতিগী মফম খরা ঈশিং থুমজিল্লি।

বজেৎ ঃ সংসদকী বজেৎ মীফম থা অসিগী ২২ দগী হৌরগনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না হায়- মীফম অসি মথং থাগী ১২ ফাওবা চথ্থগনি। শেনবা চহি ২০২৪-২৫ গী কেন্দ্রগী বজেৎ থা অসিগী ২৩ দা লোক সভা পুথোক্কনি। শ্রী রিজিজ্না হায়- কেন্দ্র সরকারগী রিকমেন্দেসন মতুংইন্না রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি

মুরমুনা সংসদকী সভা অনিমক্তা বজেৎ মীফম ফমনবা অয়াবা পীখিবনি।

পার্লিয়ামেন্ট এফ্যারস রাজ্য মন্ত্রি আর্জ্ন রাম মেঘৱালনা হায়- ইকোনোমিক সর্ভে রিপোর্টনা থা অসিগী ২২ দা কুথোক্কনি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু নুমিৎ মরিনিগী উরিষা খোঙচৎতা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ভুবনেশ্বরদা থুংখ্রে। রাষ্ট্রপতিবু রাজ্যপাল রাঘুবর দাস, মুখ্য মন্ত্রি মুহোন চরন মাঝি অমদি অতৈ লুচিংবা কয়ানা মহাকপু ইয়ারপোর্টতা তরামা ওকখি।

শ্রীমতি মুরমুনা ঙসি পুরিদা পাঙথোক্কদবা ভগবান জগনাথ, বলভদ্র, দেবী সুবদ্রা অমসুং ভগবান সুদরসনগী রথ যাত্রাগী থৌরমদা শরুক য়াগনি।

গদকারি ঃ কেন্দ্রগী রোদ ত্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজ মন্ত্রি নিতিন গদকারিনা হায়রি- লাক্লিবা চহিশিং অসিদা ভারতকী ঔতো মোবাইল ইন্দষ্ট্রিশিংনা লুপা কোতি লাখ ৫০ রোমগী শেনফম হেনগৎনবা হোৎনরি। ৱাফম অসি নাগপুরগী বুতিবোরিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শ্রী গদকারিনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- সেমি কন্দক্তরগী প্রোজেক্ট পায়খৎপনা লমদম অদুগী নহাশিংদা থবক ফংহনবা ঙমহল্লগনি। মহাকা হায়- লৌমীশিংবু মহৈ মরোং পুথোকপগী মথক্তা ইনর্জি পুথোকহন্নবা খোঙথাং কয়া পায়খৎলি। মসিনা লৈবাক অসিবু মরোমদোম লেপচবা লৈবাক অমা ওইহনবদা চাউনা মতেং পাংলগনি।

ঝারখন্দ ঃ ঝারখন্দগী নক্সালাইটকী ইরাং লৈবা গুমলা জিলাদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চখুবদা আই.ই.দি ৩৫ ফাগৎপা ঙমলে। জিলা অদুগী এস.পিনা হায়- আই.ই.দি মঙানা শেমগৎ শাগৎপগী থবক চখুরিবা কুৎমা-বমদা লম্বীদা ফাগৎখিবনি অদুগা ৩০ অমনা জিলা অসিগী হরিনাখনদগী ফংখিবনি। আই.ই.দিশিং অসি পুলিসতা অশোক অপন থৌকহন্নবা থৌরাং

তৌরম্বনি। অদুমওইনমক সেক্যুরিতি ফোর্সনা আই.ই.দিশিং খুদোংথিবা থোক্ত্রিঙৈদা ফাগৎপা ঙমখিবনি।

করাতি (এল) ঃ ওল ইন্দিয়া ইন্টর সাই করাতি টুর্নামেন্ট-২০২৪ ঙরাংদগী ইম্ফালগী খুম্মন লম্পাক সাই এস.টি.সি. ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হৌখ্রে। তুরনামেন্ট অসি থা অসিগী ৮ ফাওবা চথ্বগনি। স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া-নোর্থ ইষ্ট সেন্টরনা শিনবা টুর্নামেন্ট অসিদা সাই এস.টি.সি ইম্ফাল, সাই এস.টি.সি নহারলগুন অরুনাচল প্রদেশ, সাই এস.টি.সি মেঘালয়, সাই এস.টি.সি জবলপুর মধ্য প্রদেশকী পুন্না ওফিসিয়েল অমসুং শান্নরোই ৭৯ শরুক য়ারি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা দ্রোনাচারিয়া এৱার্দি এল. ইবোমচা অমদি সাই এস.টি.সি ইম্ফালগী হান্নগী দাইরেক্তর শরুক য়াখি।

ক্রিকেট ঃ হরারেদা চথরিবা ভারত অমসুং জিম্বাবৱেগী মেটচ ৫ গী টি-ত্বেন্তি সেরিজগী ঙরাং শান্নখিবা অহানবা মেটচতা জিম্বাবৱেনা ভারতপু রন ১৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

বেদমিন্টন ঃ কেনাডা ওপন বেদমিন্টনগী মেন্স সিঙ্গলসতা ভারতকী প্রিয়াম্সু রাজাৱট সেমি ফাইনেল চংখ্রে। ঙরাং নুমিদাং শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদা প্রিয়াম্সুনা দেনমার্ককী ৱার্ল্ড নম্বর ফোর এন্দরস এন্তোনসেনবু ২১-১১, ১৭-২১, ২১-১৯ দা মায়থিবা পীখিবনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চাক থোংনবা গ্যাসকী মমল ব্লেক মার্কেটতা লুপা লিশিং ২,৫০০ য়ৌখ্রে হায়বা পাউ অসিনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পার্লিয়ামেন্টতা থমখিবা প্রসিদেন্টকী ৱারোল অমসুং পি.এমগী ৱারোল

পেনিঙাই ওইদে হায়না কোতুনা ফোংদোরকপা ৱাফম পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নাগাগী লম শোকপা য়ারোই, চুরাচান্দপুর কাংপোকপী নাগাগীনি হায়না য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলনা প্রাইম মিনিষ্টরদা ফোংদোকখিবা ৱাফম শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসনদা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় ফাগৎপগা লোয়ননা বঙ্কর থুগাইবগী পাউ অয়াম্বা পাউচেশিংদা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা ৱার্ল্ড কুকি-জো ইন্তেলেকচুয়েল কাডন্সিলগী নমথাক- কুকিশিং নাগালেন্দগী ইন্দিজিনস পিপলনি হায়না ক্লেম তৌরক্লে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নেসনেল অমসুং ষ্টেট হাইৱেগী নাকলদা গাড়ি পার্ক তৌবা খুদক্তগী থিংখ্রে, প্রাইভেট হোস্পিতাল অমসুং কম্মর্সিয়েল বিল্ডিংশিং মশাগী পার্কিং থমগদবনি হায়না ত্রান্সপোর্ট দিরেক্তরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মণিপুর নিউজগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। নিংথৌকাবা নুমিৎতগী এস.দি.এস.এনা কুকিগী এরিয়াদা পোৎ চৈ পুশিনবা থিংবগী থবক হেন্না কনশিল্লক্কদৌরি হায়বা পাউ অসিনা পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

রাহুল গান্ধিগী মণিপুর খোঙচৎকীদমক শেম শাবা লোইরে, জিরি, চুরাচান্দপুর য়ৌগদৌরি। ঙসি ফাওবদা বি.জে.পিনা লুচিংবা সেন্তর গভর্নমেন্টনা মণিপুরদা অচুম্বা তৌদ্রি হায়না ইবোবীনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা ঈচেল এক্সপ্রেস অহানবা হেদলাইন তৌরি।

জুলাই ৮ দা রাহুল গান্ধি ইম্ফালদা লাক্লগনি, গভর্নর য়াওনা লাঞ্জেন্নরক্লবশিং উন্নরমগনি হায়না এ.আই.সি.সিগী মণিপুর ইনচার্জ গিরিস চৌদানকরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মণিপুর নিউজগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সনাৈলবাক্তা- এম.এল.এগীদা কাপশিল্লম্বা, খরদনা ফুরম্বগী ৱাথোক চাউথোরক্লে, প্লিস তাকপগী ঙসি চুরাচান্দপুর টোটেল সটদাউন তৌগদৌরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চীফ মিনিষ্টরনা জিরিবামদা ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্লে হায়রিবসিগী অশেংবদি মীয়ামা লেপ্পসনু হায়না অমুকোনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা হুইয়েন লানপাউগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

৭৫ রক শুবা বন মহোৎসব পাঙথোক্খ্রে, ইমা লৈবাক কন্নিংদবা অমসুং মাংহন্নিংবা মীওই অমত্তা লৈরমলোই হায়না মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা অঙ্গং অশাগী খল অমসুং অকোইবগী ফিভম ঙাক শেনবদা মীয়াম পুন্না থৌদাং লৌমিন্নশি হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম মোর্নিং বেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হৌখিবা চহি মরিদা মণিপুরদা আইন কায়না পোপি পাম্বী থাবগী চাং ৱাংনা হন্থখি হায়না মার্সেককী সর্ভে রিপোর্টকী পাউনা পিপলস ক্রোনিকলগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। মণিপুরদা পোপি থাদবা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট অসি ফেরজোল খক্তনি হায়না মার্সেকনা ফোংদোকখিবা পোকফমগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------